

মণিপুরনা পুদুচেরিবু পাঞ্জল ৯-০দা থোইদুনা ১১শুবা সব-জুনিয়র মেন্স নেসনল হোক্কীগী ক্বার্টর য়ৌখ্রে

জিন্দ, মার্চ ২০(এজেন্সী) :

হরিয়ানানা যূম্বু ওইদুনা ষ্টেট অদুগী সিটি জিন্দদা থা অসিগী ১৭তগী হৌরকখিবা ১১শুবা হোক্কী ইনিদয়া সব-জুনিয়র মেন্স নেসনল চেম্পিয়নশিপকী ঙসি শান্নখিবা পুল ঐচকী মেটচ অমদা মণিপুর হোক্কীনা পুদুচেরি হোক্কীবু পাঞ্জল ৯-০দা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

ঙসি অয়ূকটুর্নামেন্ট অসিগী ওইনা পুল ঐচকী অরোইবা লীগ রাউন্দদা মণিপুর হোক্কী অমসুং পুদুচেরি হোক্কী লম্বা তৌনখি। অহানবা ক্বার্টর অদুদা টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে। অনীশুবা ক্বার্টরদা মণিপুরগী মায়কৈদগী ঙসিগী মেটচ অদুগী অনীশুবা ক্বার্টরগী হৌরকপদা নিংথৌজম রোহিটনা ফিল্ড গোল অমগী মতেংনা অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। ক্বার্টর অদুদা মণিপুরগী অতোপ্পা শান্নরোয় মোইরাংথেম সুশান্তনা শান্নবগী ২৪শুবা মিনট অমসুং ২৮শুবা মিনটতা ফিল্ড গোল অনী থংনথংননা চনশিন্দুনা অনীশুবা ক্বার্টর অদু মণিপুরগী মায়কৈদগী পাঞ্জল ৩ চল্লগা মেটচ অদুগী অহানবা হাফ অদু ৩-০দা পুদুচেরি হোক্কীবু মণিপুরনা মাঙজিল থারগা লৈখি।

হাফ মতুং শান্নরকপা মেটচকী অহুমশুবা ক্বার্টরগী হৌরকপদা অনীশুবা ক্বার্টরদা পাঞ্জল ২ চনবা ঙমখ্রবা মোইরাংথেম সুশান্তনা পেনাল্টি কোর্নর অমগী মতেংনা টিমগী পাঞ্জল ৪ অদুগা মহাক্কী ওইনা হেটট্রিক অদু ফংখি। অহুমশুবা ক্বার্টর অদু সুশান্তগী পাঞ্জল অদুগী মতুং টিমমেট সোরোখাইবম সনসোননা ফিল্ড গোল অমা চল্লগা মণিপুরগী স্কোর অদু ৫ শুখি। মদুগী মখা তারকপদা হেটট্রিক ফংখ্রবা মোইরাংথেম সুশান্তনা মহাক্কী মরিশুবা পাঞ্জল অদুগা মণিপুরগী ওইনা ৬শুবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি।

অহুমশুবা ক্বার্টর অদুগী লোইশিল্লমদাই মণিপুরগী যুম্নাম রিশিনা পেনাল্টি কোর্নর অমগী মতেংনা মণিপুরগী ৭শুবা পাঞ্জল অদু চনখি। মেটচকী মরিশুবা ক্বাটরদা মণিপুরগী মায়কৈদগী মখা তানা কোন্থৌজম দিলিপ অমসুং কোন্থৌজম বিক্রমনা মখা তাবা পাঞ্জল ২ হাপচিল্লগা মেটচ অদু থোইদুনা পুল ঐচকী খ্বাইদগী মকোক ওইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

ঙসি শান্নখিবা তোঙান-তোঙানবা মেটচশিংদা দেল্লীনা পুল জিদা হিমাচল প্রদেশপু ২-০দা মায়থীবা পীখি। অতোপ্পা পুল জিগী মেটচ অমদা বিহারবু অরুনাচল হোক্কীনা পাঞ্জল ১-০দা থোইখি। পুল ঐচকী মেটচ অমদা গুজরাট হোক্কীবু মহারাষ্ট্র হোক্কীনা য়াম্না হেনবা মওংদা পাঞ্জল ১৬-১দা থোইখি। পুল সীগী ওইনা উত্তরখন্দনা কেরলাবু ৭-০দা থোইখি। অদুগা পুল এদা ছটিশগর অমসুং হোক্কী য়ুনিট টামিল নাদুগা পাঞ্জল চন্নদনা দ্রো চৎখি।

আইদিএল ক্লবনা ৱাই সী সী আই সীবু পাঞ্জল ৬-১দা থোইখ্রে, এস য়ু ৱাই সী সু মায় পাকপা ঙমখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২০ (ঐচ এন এস):

মণিপুর হোক্কীনা শীন্দুনা ইম্ফালগী খুমন লম্পাক হোক্কী ষ্টেদিয়মদা থা অসিগী ১৮দগী শান্নবা হৌরকখিবা ৮শুবা ষ্টেট লেভেল জুনিয়র মেন এন্দ ৱিমেন হোক্কী চেম্পিয়নশিপ ২০২১গী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী মেটচ অমদা আইদিএল ক্লবনা ৱাই সী সী আই সীবু পাঞ্জল ৬-১দা থোইখ্রে। অদুগা অতোপ্পা মেটচ অমদা এস ৱাই এস সীনা য়ু ৱাই সী কংলাতোংবীবু ১২-০দা থোইবা ঙমখ্রে। অদুগা নুপাগী মেটচ অমদা এস ৱাই য়ু সীনা এম এল ঐচ য়ুবু পাঞ্জল ৬-০দা থোইখ্রে।

আইদিএল ক্লব অমসুং ৱাই সী সী আই সী অনীগী মেটচ অদুগী অহানবা ক্বার্টরদা আইদিএল ক্লবকী মায়কৈদগী কে সিলভিয়ানা ফিল্ড গোল অমা চল্লগা ৱাই সী সী আই সীবু মাঙজিল থাখি। অনীশুবা ক্বার্টরদা টিম অনীমক পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে।

মেটচ মখা তারকপদা আইদিএল ক্লবকী মায়কৈদগী এন দাইনানা ফিল্ড গোল অমা চল্লগা মেটচ অদুগী অহুমশুবা ক্বার্টর অদু হৌরকপদা পাঞ্জল ১গা চন্দুনা ২-০দা মাঙজিল থাখি। টিম অদুগী অতোপ্পা শান্নরোয় টি অঙৈংবীনা শান্নবগী ৪০শুবা মিনটতা পাঞ্জল ১গা চল্লগা ক্বার্টর অদু লোইশিল্লকপদা আইদিএল ক্লবনা ৱাই সী সী আই সীবু ৩-০দা মাঙজিল থারগা লৈখি। শান্নবগী মরিশুবা ক্বার্টর অদুগী হৌরকপদা আইদিএল ক্লবকী মায়কৈদগী এন দিনা অমসুং কে এস ঐচ সোনিয়ানা পাঞ্জল অমমম্ চল্লগা ৪-০দা ৱাই সী সী আই সীবু হেনখি। মদুগী মতুং ৱাই সী সী আই সীগী মায়কৈদগী এল রিতুনা অরোইবা ক্বার্টর অদুদা পাঞ্জল অমা চল্লগা ১-৪দা শোখদুনা লৈরিঙৈদা আইদিএল ক্লবকী মায়কৈদগী এন দিনা অমসুং কেপ্টেন কে এস ঐচ সোনিয়ানা পাঞ্জল অমমম্ চল্লগা মেটচ অদু মখোয়না ৬-১দা থোইবা ঙমখি।

ঙসি টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী অতোপ্পা মেটচ অমদা এস ৱাই য়ু সীনা য়ু ৱাই সীবু পাঞ্জল ১২-০দা থোইখি। এস ৱাই য়ু সীগী মায়কৈদগী ঐচ সিক্কিনা পাঞ্জল ৫ চনবা ঙমখি। টিমমেট টি রেনোনা পাঞ্জল ২, লোয়ননা টিম অদুগী অতোপ্পা শান্নরোয় এন কমলা অমসুং পাঞ্জল ৫ চনবা ঙমখিবী সিক্কিগী পাঞ্জলনা অহানবা হাফ অদু ৪-০দা মাঙজিল থাখি। অহুমশুবা ক্বার্টরদা এস ৱাই য়ু সীগী মায়কৈদগী মখা তাবা পাঞ্জল ৩ চনবা ঙমখি। পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমদনা লৈরিবা য়ু ৱাই সী কংলাতোংবীগী মায়কৈদগী য়াম্না কন্না হোৎনরবসু মখোয়গী মথক্তা চনশিনখিবা পাঞ্জলশিং অদু হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি।

অতোপ্পা নুপাগী মেটচ অমদা এস ৱাই দি য়ু সীনা এম এল ঐচ য়ুবু য়াম্না ফজবা মওংদা পাঞ্জল ৬-০দা থোইবা ঙমখি।

জি দি সী থিনুঙৈনা য়ু কে সী সী এল ওইনামবু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীবা ঙমখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২০(ঐচ এন এস):

বিষ্ণুপুরগী মিনি ষ্টেদিয়মদা দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন বিষ্ণুপুরনা শীন্দুনা পাঙথোক্লিবা অহানবা লেট থোকচোম ইবোপিশক (নিংথৌরেন) ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০২১গী ঙসি শান্নখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ৩৩শুবা মেটচতা জি দি সী থিনুঙৈনা য়ু কে সী সী এল ওইনামবু পাঞ্জল ২-১দা থোইবা ঙমখ্রে।

মেটচ অদুগী অহানবা হাফকী ২২শুবা মিনটতা য়ু কে সী সী এলগী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ১১ ও মনিনা মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা জি দি সী থিনুঙৈবু মাঙজিল থাবা ঙমখি। মেটচকী মখা তারকপা ৩২শুবা মিনটতা জি দি সীগী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ১০ পি জিদাননা ইক্বেলাইজর অদু চল্লগা অহানবা হাফ অদু টিম অনীমক পাঞ্জল অমমম্ চন্নরগা লৈখি।

শান্নবগী ২শুবা হাফ হৌরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈদা জি দি সী থিনুঙৈগী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ১১ ঐচ মাইকেলনা ৪৪শুবা মিনটতা টিম অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা য়ু কেসীসীএল ওইনামবু পাঞ্জল ২-১দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

মেটচকী মখা চথুরকপা পাঞ্জল অমা শোথরিবা য়ু কে সী সী এলগী মায়কৈদগী য়াম্না কন্না হোৎনদুনা ইক্বেলাইজর ফংনবা শান্নরকপা অদু মেটচ লোইশিনবা ফাওবদা কান্নবা ফংদনা টিম অদু জি দি সীগী মখূৎতা ১-২দা মায়থীহৌখি।

দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন বিষ্ণুপুরগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকখিবা চেরোল অমদা আরএএফএ থিনুঙৈ অমসুং আরএফ সী সী কৈনৌগী ঙসি শান্নগদবা মেটচ অদু হয়েং অয়ূক পুং ৭তা শান্নরগনি হায়রি। লোয়ননা ১৫শুবা (লেট) এন বালানন্দ মেমোরিয়ল সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০২০-২১গী ফাইনেল মেটচ শান্নগদবা অদু অতোপ্পা মতম অমা নৌনা লেপ্পগনি হায়না এসোসিএসন অসিগী সেক্রেটরিনা থোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

সিটি এফ সীনা এম পি টু ৱাই এবু ৫-০দা থোইখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২০(ঐচ এন এস): দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন মোইরাংনা শীন্দুনা মোইরাং মল্টিপর্পজ গ্রাউন্দদা শান্নরিবা ২শুবা এল কেরানি মেমোরিয়ল ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০২০-২১গী ঙসি শান্নখিবা ৬শুবা মেটচতা সিটি এফ সীনা এম পি টু ৱাই এবু পাঞ্জল ৫-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেটচ অদুগী অহানবা হাফতা সিটি এফ সীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল ৩ চনবা ঙমখি। টিম অদুগী জর্সি নম্বর ১০ এস ওবেদিয়ানা পাঞ্জল ২ অদুগা জর্সি নম্বর ৭ অনন্দকুমারনা পাঞ্জল ১ চনবা ঙমখি। অদুগা মেটচকী অনীশুবা হাফতা মখা তানা সিটি এফ সীগী জর্সি নম্বর ১৪ বিশ্বরজিৎ অমসুং ১৩ লুনলানপোলনা পাঞ্জল চনখি।

কে আই ৱাই সীগী শান্নরোয়শিংদা শান্নবগী পোৎলমশিং খূদোল তমখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২০ (ঐচ এন এস):

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ১৪শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২১দা শরুক য়াগদবা টিম অমা ওইরিবা ক্ষেত্রি ইরিল মপাল য়ুঠ ক্লব (কে আই ৱাই সী)গী শান্নরোয় অমদি ওফিসলশিংবু পূক্লিং থৌগৎপা ওইনা নুর রহমন (আই এফ এস)না শান্নবদা চঙগদবা তঙাইফদবা পোৎলমশিং অদু খূদোল তমখ্রে।

শান্নবগী পোৎলমশিং য়েন্থোকপগী থৌরম অদুদা শৈখ ব্রদর্সকী নুর রহমন শৈখ (আই এফ এস), শৈখ অব্দুল হকিম (এম সী এস) অমসুং কামারন শৈখসু মথংশিংনা থৌরম অদুগী গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইখি।

অহানবা য়াইসা ফুটবোল ফেষ্টিভেল ২০২১ হৌদোকখ্রে

ককচীং, মার্চ২০ (ঐচএনএস):

য়াইসা স্পোর্টস এরেনা, ককচীংনা শীন্দুনা এরেনা অসিদা চত্থগদবা চহী ১৩গী মখাদা লৈবা নুপামচাশিংগী অহানবা য়াইসা ফুটবোল ফেষ্টিভেল ২০২১ ঙসিদগী হৌদোকখ্রে।

অপূনবা টিম ১৩না শরুক য়াদুনা চত্থগদৌরিবা য়াইসা ফুটবোল ফেষ্টিভেল অসিগী ঙসি হৌদোকপগী থৌরমদা য়াইসা স্পোর্টস এরেনা ককচীংগী পার্টনর অমসু ওইরিবা খা মণিপুর কোলেজ ককচীংগী প্রিন্সিপাল পুখ্রন্বম রঘুনা অথোইবা মীথুং ওইনা শরুক য়াদুনা হৌদোকখি।

ফুটবোল ফেষ্টিভেল অসিগা মরী লৈননা য়াইসা স্পোর্টস এরেনা ককচীংগী পার্টনর অমা ওইরিবা ক্ষেত্রিময়ুম ধর্মাদাসনা ফোঙদোরকপদা, ঙসিদগী হৌদোক্লিবা য়াইসা ফুটবোল ফেষ্টিভেল অসি চহী অমদা মরিরক হায়বদি মার্চ, জুন, সেপ্টেম্বর অমদি দিসেম্বর থাদা পাঙথোক্কনি। চহী খূদিংগী ওইনা পাঙথোক্কদৌরিবা ফেষ্টিভেল অসি অঙাংশিংগী এগজাম অমদি ছুটিগী মতম য়েংদুনা পাঙথোক্কনি। ফেষ্টিভেল অসি মরুওইনা স্পোর্টসতা দিভলপমেন্ট লৈনবা অমদি অঙাংশিংনা প্রেক্টিস খক তৌবতা নৎতনা মেটচকী এক্সপরিয়েন্স লৈহন্নবগী পান্দমদা শীনবনি। ফেষ্টিভেল অসি পাঙথোকপনা পীক্লিবা অঙাংশিংনা মখোয়গী ফুটবোলগী তুংগী লন্বীদা হেন্না মায় পাক্কা চঙশিনবদা মতেং শোয়দনা ওইগনি খল্লি হায়খি।

ফুটবোল ফেষ্টিভেল অসিগী ঙসি অহানবা হৌদোকপগী মেটচতা জে এ ককচীং অমদি খল্লাংবা এফ সীনা লম্বা তৌদুনা শান্নখি। মেটচ অদুদা জে এ ককচীংনা খল্লাংবা এফ সীবু পাঞ্জল ৩-১দা মায়থীবা পীখি। অনীশুবা মেটচতা সেংমাই নিংথৌ এফ সীনা ফ্যুচর ফাউন্দেসনবু পাঞ্জল ৩-০দা মায়থীবা পীখি। অহুমশুবা মেটচতনা দি এফ সী অমসুং অমুজাও এফ সী শান্নখিবদা পাঞ্জল ২-২ চন্নদুনা দ্রো চৎখি। মরিশুবা মেটচতনা য়ং এফ সীনা য়ুঠ য়ুনিয়ন ক্লবপু পাঞ্জল ৮-০দা মায়থীবা পীখি। ৫শুবা মেটচতনা এস দল্লিয়ু সী কৈরক্কা কে এস দল্লিয়ু সী ককচীং খুনৌবু পাঞ্জল ৭-১দা মায়থীবা পীখি।

মণিপুরগী সিনিয়র ৱিমেন টিমনা ফোইল ইভেন্টতা টিম গোল্ড লৌখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২০ (ঐচ এন এস):

ফেন্সিং এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়াগী লমজিং মখাদা ফেন্সিং এসোসিএসন উত্তরখন্দনা শীন্দুনা ঙরাংদগী দেহরাদুনদা লৈবা রুদ্রপুরগী স্পোর্টস ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকপা ৩১শুবা সিনিয়র নেসনল ফেন্সিং চেম্পিয়নশিপ ২০২০-২১দা মণিপুরগী সিনিয়র ৱিমেনগী ফোইল টিমনা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখ্রে।

সিনিয়র নেসনল ফেন্সিং চেম্পিয়নশিপ অদুদা মণিপুরগী ইপি টিমনা ব্রোঞ্জ মেদল অমসু লৌবা ঙমখি। নুপীগী ফোইল টিমদা গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখ্রবী ফেন্সরশিং অদুদি এল খুশবুরানী দল্লিয়ু থোইবী, টি ঐচ অনিতা অমদি এন মোনানি।

টুর্নামেন্ট অসিদা সিনিয়র ৱিমেনগী ইপি ইন্দিভিজ্যুএলদা মণিপুরগী মায়কৈদগী এস কিরনবালানা ব্রোঞ্জ মেদল অমসু ফংবা ঙমখি। অদুগা ইপি টিম ইভেন্টতসু মণিপুরগী মায়কৈদগী দেহরাদুনদা পাঙথোক্লিবা ৩১শুবা সিনিয়র নেসনল ফেন্সিং চেম্পিয়নশিপ অদুদা ব্রোঞ্জ ফংখি।

১৯শুবা মিনি অমদি সব-জুনিয়র বোইজ এন্দ গর্লস ভোলিবোলদা টি আর ৱাই ভি সী অমসুং সাদোম থোইখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ২০(ঐচ এন এস):

ওল মণিপুর ভোলিবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা খুমন লম্পাক ইন্দোর ষ্টেদিয়ম অমদি ভোলিবোল প্রেক্টিস কোর্টতা চত্থরিবা ১৯শুবা মিনি বোইজ অমদি গর্লস ষ্টেট ভোলিবোল টুর্নামেন্ট ২০২০-২১গী ঙসি শান্নখিবা নুপীমচাগী মেটচশিংদা সাদোম অমদি টি আর ৱাই ভি সী মায় পাকপা ঙমখ্রে।

মিনি অমদি সব-জুনিয়র নুপীমচাগী টিম ৪না শরুক য়াখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি অহৌবা নুমীৎতা সাদোমনা টি আর ৱাই ভি সীবু সেট ৩-২ (২১-২৫, ২৫-২৩, ২৩-২৫, ১৫-১৩)দা মায়থীবা পীখি। অনীশুবা মেটচতা টি আর ৱাই ভি সীগী মখূৎতা মায়থীখ্রবা সাদোমনা স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটিবু ৩-১ (১৯-২৫, ২৫-১৯, ২৫-২১, ২৫-২২)দা থোইবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহুমশুবা মেটচতা টি আর ৱাই ভি সীনা কে ৱাই এল এস সীবু য়াম্না হেনবা মওংদা সেট ৩-০ (২৫-২১, ২৫-১৭, ২৫-১৯)দা থোইবা ঙমখি।

ঙসি শান্নখিবা নুপামচাগী মেটচ অমদা টি আর ৱাই ভি সীনা এন ৱাই ভি এবু সেট ৩-২ (২৫-২১, ২৮-৩০, ২২-২৫, ২৫-২১, ১৫-১৩)দা থোইবা ঙমখি।

কাঙলূপ অসিগী অনীশুবা মেটচতা সাদোমনা স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটিবু সেট ৩-০ (২৫-১৫, ২৫-১৫, ২৫-১২)দা মায়থীবা পীখি। অদুগা অহুমশুবা মেটচতা ৱাই এম দি ওনা ঐচ দি ওবু অদুগা মরিশুবা মেটচতা য়ু এস দল্লিয়ু সীনা সাদোমবু থোইখি।

কোচ লৌগদৌরি

ইম্ফাল, মার্চ২০ (ঐচএনএস):

দিরেক্টোরেট ওফ য়ুথ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস (ৱাই এ এস)না কন্ট্রক্ট বেসিসতা হোকিগী কোচ অমা লৌগদৌরি। থাগী তোলোপ লুপা ১৩,৫০০ ওইগদবা ফম অসিগীদমক শকখঙলবা য়ুনিভর্সিটি অমদগী গ্রেজুয়েসন লোইরগা হোকিদা এন আই এস দিপ্লোমা ফংবা নৎত্রগা ওলিম্পিক গেমস/ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ নৎত্রগা ৱর্ল্ড কপ/এসিয়ন গেমস/এসিয়ন কপ নৎত্রগা কম্মনৱেল্থ গেমসতা শরুক য়ারুবা মীওইশিংনা এপ্লিকেসন পীশিল্লকপা য়াগনি হায়রি।

হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাল্লি

কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ মীয়াম্না য়াম্না লায়না খন্নরকপা অসি অফবা খুদম অমদি নত্তে

মালেমগী ওইনা তমথিরবা লায়না লাইচৎ কোভিদ-১৯না ঐখোয়দা পীবা চৈনা-চৈথেং কয়া ঐখোয় পূম্নমক্না খঙনরে। লাইচৎ অসিনা মরম ওইদুনা হৌখিবা চহীদা লানজদ্রবা মীয়াম কয়াগী পুন্সি লমখাংদা মাংঙহনখিবদা নত্তনা মহৈ-মশিনগী লমদা, শেনমিৎলোনগী লম্‌দা অমদি হীরম খুদিংমক্তা অকায়বা কয়া পীখি। মীয়াম্না থেংনখিবা অৱাবশিং অদুগী মনুংদা ইম্ফাল সিটিগী ময়োলদা লৈরিবা মালেমদা অনী শুদ্রবা নুপী খক্তনা ফমজবা ইমা কৈথেল অসি মণিপুর লৈঙাক্না লাইচৎ অসি শন্দোরকপদা খরদং ওইরবসু থিংবা ঙম্নবা হায়দুনা চাওরাক্না থা তরামাথোই রোম থিংজিন্দুনা লাকখি। অদুবু হৌজিক্তি লাইচৎ অসি খজিক মনিং হনখিবদগী লৈঙাক্না অনৌবা চৎন-কাংলোনশিং শেমদুনা ইমা কৈথেল ফম্বগী অয়াবা পীদুনা কৈথেল ফম্বা হৌখি। কৈথেল হাংদুনা ফম্লক্লবা মতুং অসিদা পোৎচৈ লৈবা লাকপা মীওইশিংনা কোভিদ-১৯গী চৎন কাংলোনশিং থুগায়রকপা অসি য়াম্না লাইবক থীবনি। লাইচৎ অসিনা মরম ওইদুনা মপানগী লৈবাকশিং অমদি ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা ষ্টেটশিংদসু অমুক হন্না লোকদাউন তৌবা হৌখ্রবনি। মরম অদুনা ঙসিসু ঐখোয় পূন্নমক চেকশিনবগী মথৌ তারি।

❐ ফাঞ্জৌবম লন্নজিৎ, কৈশামথোং লোংজম লৈরক

কৌব্রু চীংগী লাইফমলেন ফাওবগী লম্বী পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা অথুবদা শেমজিনবিয়ু

কংলৈপাক অসিগী য়াম্না মরুওইবা লাইফমলেন অসিবু লমতাক্লবা অহল-লমনশিং লাইফম য়ৌনা চৎনবা লম্বী অমদি লাইফমশিং মওং মরিল তানা শেমগৎপগী তঙাইফদবা লৈরে। লম্বী শেমগৎপগী চাওরবা থৌদাং অসি লৈঙাক্না লৌফম থোকই। লাইফম অসি য়ৌবদা লাইকোৎ ভিলেজদগী চৎলগা চীংখোং ফাওবা চৎলগা মথক থংবা লম্বীদি চাওরাক্না কিলোমিটর ১৫ রোমদি খোঙনা চৎলি। মরম অদুনা অহল ওইরবা মীওইশিংনা লাইফম তান্না চৎপা ঙমদে। মরম অদুনা হায়রিবা লম্বী অসি গাড়ি চৎপা য়ানবা লম্বী অসিদা লৈরিবা চীংগী চাওরাক্না কিলোমিটর ৩০মুক লম্বী কক্লবদি য়াম্না কান্নবা ওইগনি। লোয়ননা মফম অসি মীয়াম্না লাক্নদুনা অরিবা লাইফমলেন অসি লায়না য়েংবসু ঙম্নরগনি। অদুগা য়াম্না মরুওইবা ৱাফম অমনা খুন্নাই অসিদা নহা ঙাক্তা লাইফমলেনদা থাবিরক্তনবসু হায়জরি। মসিনা মরম ওইদুনা অরানবা মওং অমদা লাইফমলেন অসি পুখিগনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। মরুওইরিবা লাইফমলেন অসিগী মতাংদা অখণ্ড-অহৈশিংগা তান্নদুনা য়াম্না ফজবা লাইফমলেন অমা ওইনবা শেমগৎ-শাগৎনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌবিনবা হায়জরি।

❐ য়ুরেম্বম ইনাওবি, মোইদাংপোক খুন্নৌ

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

য়ু বি এস এনা এস এ ওবু ৫-০দা থোইখ্রে, এস দল্লিয়ু সীনা এল ৱাই এ মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২০(ঐচ এন এস):

দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন ককচীংনা শীন্দুনা ডা. টি ঐচ ওজিৎনা স্পোন্সর তৌবা ১৩শুবা কে এস ঐচ লৈহাও মেমোরিয়ল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০২১ থা অসিগী ১৪দগী টিম ৮না শরুক য়াদুনা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা য়ুনাইটেদ ব্রদর্স স্পোর্টিং য়ুনিয়ন (য়ু বি এস এ)না সেনা এথলেটিক ওর্গনাইজেসন (এস এ ও)বু পাঞ্জল ৫-০দা মায়থীবা পীখ্রে। অদুগা অতোপ্পা মেটচ অমদনা সোসল ৱেলফেয়র ক্লব (এস দল্লিয়ু সী) ৱাইখোংনা লাইফম য়ুঠ এসোসিএসন (এল ৱাই এ) ৱাঙুবু পাঞ্জল ৩-২দা থোইখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসনগী শান্নবুংদা ঙসি নুংথিল পুং ১.৩০দা শান্নখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ৭শুবা মেটচতা য়ু বি এস এ অমসুং এস এ ও লম্বা তৌনখি। মেটচ অদু হৌবদগী হৌনা য়ু বি এস এগী মায়কৈদগী বোল হেন্না পায়বা ঙমদুনা হীরম খূদিংমক্তা খূদুম চন্দুনা ঙমখি। মেটচকী অহানবা হাফ অদুদা য়ু বি এস এগী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ১১ এম দি রুহিট শাহনা অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। এস এ ওগী মায়কৈদগী অহানবা হাফ অদুদা পাঞ্জল হন্দোক্নবা হোৎনখিবশিং অদু কান্নবা ফংদনা লৈখি। য়ু বি এস এগী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা রুহিট শাহনা শান্নবগী ৪৯শুবা মিনটতা টিম অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল অদু হাপচিনবা ঙমখি।

মেটচ অদুগী মখা চত্থরকপা শান্নবগী ৫৫শুবা মিনটতা য়ু বি এস এগী জর্সি নম্বর ৯ ঙমনৈরিল কোমনা টিম অদুগী অহুমশুবা পাঞ্জল হাপচিনখি। মিনট ১১ লৈরগা এস এ ওগী মায়কৈদা মখা তানা য়ু বি এস এগী জর্সি নম্বর ১৯ এন খাবনা ৬৬শুবা মিনটতা টিমগী ৪শুবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। শান্নবগী ৭৬শুবা মিনটতা মখা তানা য়ুনাইটেদ ব্রদর্স স্পোর্টিং য়ুনিয়নগী জর্সি নম্বর ৮ এম দি ফারিদনা পাঞ্জল অমগা চল্লগা মেটচ অদু য়ু বি এস এনা সেনা এথলেটিক ওর্গনাইজেসনবু পাঞ্জল ৫-০দা থোইবা ঙমখি।

ঙসি মখা তানা শান্নখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ২শুবা মেটচতা এস দল্লিয়ু সী (সোসল ৱেলফেয়র ক্লব) ৱাইখোং অমসুং এল ৱাই এ (লাইফম য়ুঠ এসোসিএসন)গা লম্বা তৌনবদা য়াম্না মান্নবা মওংদা থেংনখি। এস দল্লিয়ু সীগী এস উতমনা পাঞ্জল ১ অদুগা জেকনা পাঞ্জল অনী চনখি। অমরোমদা এল ৱাই এগী মায়কৈদগী অমুথোই অমসুং গৌতমনা পাঞ্জল অমমম্ চল্লগা এস দল্লিয়ু সীনা ৩-২দনা থোইখি।

No. DM(IW)/1/CON/ME/2021
GOVERNMENT OF MANIPUR
OFFICE OF THE DISTRICT MAGISTRATE: IMPHAL WEST DISTRICT, MANIPUR

ꯈꯪꯅꯍꯟꯅꯕ / NOTIFICATION
Imphal, the 20th March, 2021

Whereas, the Home Department: Government of Manipur vide Orders No.H-201/13/2021-HD-HD/507 dated 17th March, 2021 has ordered a Magisterial Enquiry into the death of (L) Sanaton Athokpam s/o Tekendra Athokpam of Khurai Thangjam Leikai, Imphal East District, a student of RIMS (5th Semester) who was found hanging inside his hostel room on 15.03.2021;

Whereas, the Terms of Reference of the enquiry are:
(i) Facts and Circumstances leading to the death;
(ii) Identifying person (s) responsible, if any, for the death;

Whereas, the undersigned has been appointed/authorised to conduct the Magisterial Enquiry vide the aforementioned Orders of the Home Department: Government of Manipur;

Whereas, the undersigned has decided to conduct the Magisterial Enquiry at the office of the Additional District Magistrate, Imphal West District at Room No. G-21, DC Imphal West Office Complex, Lamphelpat;

Now, therefore, any person(s) willing/ desirous to give oral evidence or produce any material/documents before the Enquiry Officer in connection with the aforementioned enquiry, is/are requested to submit his /her particulars in plain paper addressed to the Additional District Magistrate, Imphal West District as follows:
(a) Full name along with the name of father and mother (in block letters).
(b) Full address at which the person will be available if notice is to be served.
(c) Age.
(d) Occupation.
(e) Circumstances prompting the person to give the evidence.
(f) Mobile No.

All such applications may be submitted to the office of the undersigned on or before 27th March, 2021 during the office hours, after which no request will be entertained.

Sd/- Yumnam Nelson
(Additional District Magistrate, Imphal West District)

HL-B/6867/21,22

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com